## এডিটোরিয়েল

# ত্রাফিক অমসুং থৌরি

*ষ্টেট অসিগী ত্রাফিক সিষ্টেম অসি অঙম অথৌশিংনা নম্না ঙম্লগা চৎপা সিষ্টেম অমনি হায়না লৌবা তাই। মসিগী অচৌবা মরম অমা হায়বা তারগদি কংগ্রেস ভবন লৈরিবা মপাদা থৌরিনা থৎলগা থল্লিবা অমসুং মফম অদুদা মীওই কয়া লাম্হোক-লানশিন তৌবদনা অথিংবা লৈত্রিবা অসিনি। নৌনা য়েংবা তারগা জেব্রা ক্রোশিং লৈরিবা মফমশিং অদুদা মী লানবদা খোংনা চৎলিবা মী শিং অদুগী চখোক চৎশিন তৌনবা মফমনি হায়বদু ত্রাফিক পুলিসকী লৈরিবা মীওইশিংনা খংহনবা ঙমদে হায়বসিনি। অমুকসু পুলিস দিপার্টমেন্টতা এতেচ তৌদুনা লৈরিবা ভি দি এফ অমসুং হোম গার্দ পার্সোনেলশিং অসিদি থোইদোক্না অকনবা ত্রেনিং ফংদবা অমসুং মখোয়না লৈরিবা দিপার্টমেন্ট অদু করিনো হায়বা খঙদবা ঙাক্তনি হায়না লৌবদা থোইনা কায়রোই হায়না খল্লি। মরমদি চপ চাবা পুলিস অমগী ত্রেনিং অদু ফংদবনা মখোয়দি মশানা তৌরিবা থবক্তু অমসুং মখোয়না পায়রিবা খুৎলাই অদু করিনো হায়বা ফাওবা খংদবগী মওংদা মথৌ তৌই। কম্মান্দো পার্সোনেল অমনা তৌবা থবক অদু ত্রেনিং ফংদবা ভি দি এফ পার্সোনেল অমনা তৌবা তারগদি মীয়ামদা কদাই ফাওবা য়ৌনা পুক্নিং শোকহনগদগে হায়বদু এদমিনিষ্ট্রেসন পায়রিবশিংনা খন্থরবরা হায়বসি হংনিংই। ত্রাফিক সিষ্টেমদা লৈরিবা ওফিসিয়েলশিংনা মফম মফমদা মীওই লাম্হোক লানশিন তৌগদবা মফমনি হায়না থল্লিবশিং অসিদা থৌরিনা থৎলগা থল্লিবসিনা করম্বা সিষ্টেমনো? খুদম ওইনা হায়রবদা কংগ্রেস ভবনগী মমাংদা লৈরিবা অহাংবা মফম অসি কংগ্রেস সাসন লৈবা মফম অমদা ভবন অদুদা লাকপা অঙম অথৌশিং অদু চংবা য়ানবনি হায়না লৌবা তাই। অদুগা মীয়ামগী লৈরিবা পার্টি অমনা মখোয়গী ওফিসতা চখোক চৎশিন তৌবা য়ানবা মরম অমা ফাৎপা তারগদি মণিপুর ফয়ার সার্ভিসকী ওইনা ইম্ফালদা লৈরিবা ষ্টেসন অসিদগী লাক্কদৌরিবা লম্বী অসি করম্বনো অমসুং দাইরেক্ট ওইনা থৌদোক্পা য়ানবা লম্বীনা থিংজিল্লগা থল্লিবা অসিনা কমদৌবনো হায়বসি হংদবা য়াদবনি। মসিনা মরম ওইরগা থাঙ্গাল বজারদা মতম অমদা ইনক নক্না মৈহৌ লাংপোক্কী থৌদোক অমা থোকপা মতমদা য়ুম ৯ তুম্না চাকখি। করিগুম্বা লম্বী তঙ্খায়দা মফম চাদনা থিংজিল্লিবা অসি লৈরম্দবা তারগদি থৌদোক অদুদা শাথিনা অমাং অতা থোকখিবা অদু কনবা ঙম্লমগদবনি।*

*নোক্লিংলিবদি দি এম কলেজ গী খা থংবা গেট মপাদা লম্বীগী মেরিদিয়ান অদুনা খাক্লগা থল্লিবা এরিয়া অদু কলেজ গোব্বরশিংগী চখোক চৎশিন য়ানবগীনি। অমরোমদা কলেজ অদুগী হেক থংনবদা লৈরিবসি থাও হান্নবা ষ্টেসন অমনি। ষ্টেসন অদুদা চংবা য়াননবা লম্বী অমা থম্বা হায়বসি মথৌনি অমসুং মদুদগী থোক্লকপা গারিশিং অদু থৌদোকখিনবা অতোপ্পা লম্বী অমসু শেম্বা তাই। হায়রিবা লম্বী অদু থাও হাল্লবা মতুং ওপোজিৎ সাইদতা চৎখিবা য়াবগী লম্বী অমা ওইবা তাবনি। অমরোমদা মতম অমদা গৌহাটি হায় কোর্টকী ইম্ফাল বেঞ্চ লৈরম্লিবা মফম অদুগী মায়োক্লবদা লম্বী অনিমক চৎপা য়ানবা মওংদা মেরিদিয়ান অদু খাইদোক্লগা থম্লম্মি। অদুবু ঙসিদি হায়রিবা মফমশিং অদুদা মীয়াম চখোক চৎশিন তৌবা য়ারম্বশিং অদু থৌরিনা থৎচিল্লে। চৎপা য়াদবনিনা মীয়াম চৎনদ্রে। অদুগা অমুক মনিং মখা তৌনা লম্বীগী থৌরিশিং অদু লৌথোকখ্রে অমসুং মীয়াম চখোক চৎশিন তৌরে। হান্না খংদবনিনা নাকল অনিদগী লাকপা গারিশিং মাগী মাগী লম্বীদুদা চৎলি অমসুং হাইদোরকপা গারিশিং অদু লাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈতবা মফমশিং অদুদা গারি থৌজিল্লকপনা এক্সিদেন্ট থোকহন্নবগী মরম ওইহল্লি হায়বসিসু সরকার পায়রিবশিংনা খংবা তাই। মদুগী মতুং ইন্না ত্রাফিক সিষ্টেমদা থৌরি লৌথোক লৌশিন তৌবা তাই। থৌরি লৌথোকই হায়বগী পাউসু মীয়ামদা খংহনবা তাই। মসিগী মথক্তা থৌরি তিংলগা থৎপগী মরমসু মীয়াম্দা মতম মতমগী মতুং ইন্না মাংজৌননা খংহনবা তাই। হায়নিংলিবদি পোলিটিকেল পার্টি অমগী ওফিস মমাংদা লম্বী থাদোক্তুনা থম্বা তারগদি কংগ্রেস ভবন মমাংদা হাংনা থল্লিবা অসিগুম সি পি আইগী ওফিস চংফম ওইরিবা রুপমহল তেঙ্ককা মরী লৈনবা মফমদা শেম্লিবা লম্বী অদুসু থাদোকফম থোকপ্রা হায়বসিনি। অমুক্কা য়েংবা মতমদা চহি অমগী মনুংদা থাংজ খুদিংগী পার্ফোমেন্স পীরিবা থিয়েটর অমা হায়বসি পব্লিক প্রোপর্টি নত্রব্রা হায়বসি মীয়াম্না খংনিংই। মসিমক ঙসিসু মীয়ামগী ব্রাহং অমনি।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

# ইরাংদা ইরাং হাপ্পীরনু

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*


লৈবাকসিবু করম্লো, ইরাং ইরাং ইরাংগী ইরাং মক্তা। ইথক ইরাংগীসু ইরাং, হাৎনা শুনবগীসু ইরাং, থবক লৌবগীসু ইরাং, মিং চনবগীসু ইরাং, নুপীদা নত্তবা চৎপগীসু ইরাং, ইনৌ-নৌনা আই এল পি চৎনহল্লু হায়বগীসু ইরাং অদুগা ঙসি ঙরাংগীনা কৈথেল মথক্তা কৈনো কৈনো তৌদৌরে হায়বগীসু ইরাং। ইরাং লৈবাকসিদা ইরাং অসুক হোংলিবসে, ইরাং পাম্বা ময়াম্না খুৎলিংদুনা পাম্বদগী ওইরম্বা য়াই হায়নরি। অসি চুম্বু চুল্লকদৌরিবা খন্নরকপা কুইরে।

তশেংবনি খিৎসু হাকমল্লে লমদমসিগী ইরাং, থংনবা ষ্টেটকী মমাংদা ইকপু ইকাইজরে। অসুক মথিবোং পান্দবা লৈঙাকপশিংসিবু প্রজানা ফরে খন্দুনা খনখিবনিকো খনবদা প্রজাদা শাওবা হৌরক্লে। ভোট ময়াগী তাৎতা পাংথখোদনা, করি থোক্লে হৌজিক? শম্না হায়রবদা থিবোং খরা পানবীয়ু লৈঙাকপসা। লাইরিক লাইসু হৈনরবা ঙাক্তনি-অঙাং ওইরিঙৈগী পারা কাওবীরনু - 'ব্রার্ক হ্বাইল য়ু ব্রার্ক প্লে হ্বাইল য়ু প্লে' কান্নদে দিল লেম্বগী লৈঙাক্লা করিসু অফবা পুরক্লোই।

মীনা থাদা চৎপা তন্নদনা মার্সগ্রহ চৎনবগী ফি য়োম্নরে অদুগা লমদমসিগী আহৈ অপা শাবশিংনা পিকখ্রবা ষ্টেটসিগী কচীন কোয়া মদুনা কদায়দা করি থীদুনা সুম লৈরিসিবু তুমিৎনা হৈবোং মনুংগী সংসার মশক খংনবা হোৎনবা হায়বগীরা খঞ্জিল্লক্লে। অদোম্বু তুমিৎকা চাংদম্নরিবসে শাওনিংলমগনি হায়বসু খংনা খংনা হায়রবনি। কান্নদে - ইরাং ফাথবীয়ু, ইরাং শাগৎপীগসু, ইরাংগী লৈবাক ইরমদমসে অওনবা অমুক্তং পুবিরকউ, প্রজা ঐখোয় নে-না-তানা হিংবা পুন্সি মরেলদো অমুক্তা ফংহনবীয়ু। কান্নদবদা সরকারনা ইরাংগী মৈরা চুবীখিনু।

*অদোমগী*
*এন রাহুল সিংহ*
কৈশামথোং, ইম্ফাল

# সত্য সাই বাবা কনানো ? মহাক্কা অশুম্না হায়রম্মী



### ৭। আত্মাদি পোকপা শিবা নাইদে

২২৫। আত্মাদি পোকপা শিবা নাইদবা মতম পুম্বগী ওইবা, করিগুম্বা পোৎশক অমত্তনা শোকহনবা ঙমদবা, অহৌবশু লৈতব, অরোইবসু লৈতবা, মীনা হাৎপশু ঙমদবা নত্রগা ময়েং তাহনবশু ঙমদবা অমা ওইনা জিব খুদিংদা মশেক-মঙালগা লোয়ননা ঙাম্হোইদুনা লৈরিবনি। তশেঙনা, খুদিংমক আত্মাগী শক্তম লাংলিবনি। অতোপ্পশিং অসিদি হোঙবা নাইবনি। আত্মা ঈশ্বরনি, ঈশ্বর আত্মানি। মরম অসিনা, মফম খুদিং চত্তুনা ঈশ্বর থিরুবগী দরকার ওইদে। নহাক ঈশ্বরনি। ঐখোয়না শিজিন্নরিবা ফী অসি লশিং অমসুং লং য়াওদনা শাবা য়াদে। লশিংনা লং অমসুং ফী অমা ওইরক্লবগী অহানবা য়ুম্ফম্নি। লাইবক থীবদি, ঐখোয়না ফী অসিগীদমক খঙই অদুগা ফী ওইরক্লবগী য়ুম্ফম লশিংবুদি খঙদে। মরম অসিনা, ঙসি ঐখোয়না খ্বাইদগী মরু ওইরিবদি লৌশিং-জ্ঞান খুদিংগী হৌরফম ওইরিবা আত্মাগী নিয়ম্বু খঙবনি। মসিবু খঙলবা মহাক অদুদি খুদিংমকপু ইরাই লাইনা খঙবা ঙমগনি।

২২৬। আত্মাদি মশেক মঙালনা মতোমতা ফুদোংজবনি। মঙাল পীদুনা ঙান্দুনা লৈরিবা থাওমৈ অমবু, নহাক্লা থাওমৈ চুখৎলগা থীবগী দরকার ওইদে। অতিয়াদা থোক্লিবা থাজগী মঙাল অদু য়েংননবগীদমক অচাকপা মোমবতি নত্রগা লের্ন্টন অমগী দরকার ওইদে। থাজগী মঙাল অদুমক্লা নহাক্লা থাবু উবা ঙল্লিবনি। আত্মাদি মতম পুম্বদা মশেক মঙালনা ফুদোংলিবনি। নহাক্কী নথৌদি নমিৎ অদু পাংথোক্তুনা মহাকপু উবা ঙম্বা খক্তনি। ধর্ম্মগী ওইবা অরিবা লাইরিকশিংনা হায়রি ঃ 'খুদিংঙমক অসি ঈশ্বরনি', 'ঈশ্বরদি খুদিংমক্তা লৈ।' আত্মানা 'নুঙদা হকচাঙগী মখা পোন্না লৈবা নত্তে। হকচাঙনা দোলাইনি - আত্মানা শাথৌবনি। 'ঐঙোন্দা আত্মা লৈ, নঙোন্দশু, মখোয়দশু আত্মা লৈ হায়বা অচুম্বা অদু খঙগদবনি।



লৈশাংথেম অচৌ (মণি)

২২৭। মীপুম খুদিংদা আত্মা লৈ হায়বসি, নুমিৎ খুদিংগী থোক্লিবা থৌদোকশিং অসিদগী খঙবা ঙম্মী। মীওইবগী পুন্সিদা অফবা নত্রগা ফত্তবা নুংঙাইবা নত্রগা অব্রাবা, পোকপা নত্রগা শিবা খুদিংমক লাকই অমসুং চৎখি অদুবু মখোয়শিং অসিনা আত্মাবুদি শোকহনবা ঙমদে। পুক্নিং অসি ইহাং-হাংবা করিশু ইশিন্দ্রিবা চেবাং অমনি হায়না লৌগনু। পুক্নিং হৌখিবা মপোক কয়াগী থৌদোক-ব্রাথোকশিংগী মহয়শিংগী মমি অদু তাদুনা অদুম লাক্লবনি। মসিদি আত্মাদগী থক্তোরকপা মসিনা শক্তম লাংবা অমগুম্বনি। আত্মা অমসুং পুক্নিং তিনশিন্নরগা মী ওইরিবনি। মীদগী পুক্নিং লৌথোক্লগা আত্মা ওইরিবনি। পুক্নিংদা মীবু বন্দি অমা ওইহনবগী মরম ওইহল্লি নত্রগা মুক্তি ফঙননবগী মরমশু ওইহল্লি। পুক্নিংগী ঈথিল'খাদা হকচাংনা তমথিরবা পাপ কয়া তৌই, মরাল লংশিল্লি। অদুবু পুক্নিংবুদি দন্দি পীবা ঙমদে।

২২৮। নহাক্লা ঙা অমবু মনি-মুক্তা থান্নবা সনাগী পাত্র অমদা হাপ্লবশু ঙা অদুনা কদৌঙৈদা মশাদা নুংঙাইবা ফাওরোই। মদুগী মহুত্তা মহাক্কী হৌরকফম ওইরিবা ঈশিংদা হনখিনবগীদমক পোত্থবা লৈতনা চোংফন্দুনা লৈগনি। অশুম্না ঐখোয়সু, ঐখোয়গী হৌরকফম ওইরিবা আত্মাদা হন্নিংবগী ফোংঙদবা অব্রাবা অমদি লৈরি অদুবু মায়ানা লমজিংদুনা আত্মাদগী নাথৈদুনা চৎখ্রে। মায়া সংসারগী ওইবা লনথুম, মখল-মখলগী অরং-অরাক পোৎশিংনা শুমহৎহন্দুনা ঐখোয়গী হৌরকফম অদুবু অকাও পরৈ চলহল্লে। ব্রাফম অসিদা ঐখোয়না মনুং হঞ্জিন্না য়েংলবদি হিরম অসিদদি ঙানা মীদগী হেন্না লৌশিং লৈবা মাল্লি। করিগী ? মরমদি ঙাদি মখোয়গী হৌরকফম অদু কদৌঙৈদা কাওদে। মীদি মহৈ-মশিং য়াম্না হৈরবশু, য়াম্না চাওখৎপা থাক্তা য়ৌরে খল্লবশু মখোয়গী হৌরকফমদি কাওখ্রে।

২২৯। আত্মা অসিমক নহাক্কী পুন্সিনি হায়বা খঙগদবনি। খুদিংমক ঈশ্বরগী শক্তিনা ফুদোংলিবনি অদুবু নহাক্লা মসি লান্না শিজিন্নরে। নহা ওইবগী শক্তি খুদিং নহাক্কী খুত্তা লৈ, নহাক্কী পুন্সিসু নহাক্কী খুত্তা লৈবনি। পোৎচাকশিংনা শাবা হকচাঙ অসিদি নহাক নত্তে, নহাক্তি পুন্সিগী মরমদা মহয়গা লৈনবা মরীগী নিয়মনি। হকচাঙ অসিদি নহাক্লা অচুম্বা থীবদা শিজিন্ননবা খুৎলাই অমনি। আত্মাদি মচু-মরাং য়াওদবা অশেঙবা, গুন কয়াগী ব্রাংমদা লৈবা, হোঙবা নাইবা মতম চুপ্পগী ওইবনি। মশেক-মঙালদা অমকপা য়াওদবা চাংদম্নিংঙাই লৈতবনি। আত্মাগী মখোঙ পান্দে অদুবু খুদিংমক্তগী খ্বাইদগী য়াঙনা চৎলি, মখুৎ পান্দে অদুবু করিগুম্বা পোৎশক অমা হেক্তা পায়বা ঙম্মী। মমিৎ পান্দে অদুবু মহাক্লা উবা ঙমদবা অমত্তা লৈতে। আত্মাবু খঙননবগী অমত্তা ঙাইবা লম্বীদি নুংশিবনি। নশাবু নুংশিবনা থুমহৎহল্লবদি, অমত্তা ঙাইবা লম্বীদি নুংশিবনি। নশাবু নুংশিবনা থুমহৎহল্লবদি, ঈশ্বরদি লায়না ফঙবা ঙম্মী। নুংশিবা ঈশ্বরনি, নুংশিবদা হিংউ।

২৩০। মমাংঙৈগী মুনি ঋষিশিংনা ঈশ্বরগী ওইনা নুংশিবা অসি আত্মানি হায়না শাক্তাক্লম্মী। আত্মা অমসুং নুংশিবা অমগা অমগা খেন্নবা লৈতে। আত্মা অসি নুংশিবনি, নুংশিবা আত্মানি। মঙোন্দা লৈরিবা আত্মা অমসুং জিবা খুদিংদা লৈরিবা আত্মা অমত্তনি খঙলবা মহাক অদুদি য়ুম্বাল লম্বীদা ওইরবসু নত্রগা খুদিংমক থাদোক্লবা লাইনিংবা অমা ওইরবশু, মতোমতা চিক্লা লৈবা অমা ওইরবসু নত্রগা মীয়াম'লক্তা লৈবা ওইরবসু মতম পুম্বদা ঈশ্বরগা লোয়নদুনতা লৈ। মীপুম খুদিংনা মীওইবা জিব খুদিংদা পোকপদগী লোয়নরক্লবা ঈশ্বরগী মতিক-মগুন লৈ হায়বসি খঙবা তাই। অচাকপা মৈঙাল অমা য়েংনবগীদমক নহাক্লা অতোপ্পা থাওমৈ অমগী মথৌ তাদে। মসিগা চপ মান্ননা, মশেক-মঙালগা লোয়ননা ফুদোংলিবা আত্মাজ্ঞানবু খঙননবগী অতোপ্পা লৌশিং জ্ঞান অমা লৈত্রবশু য়াই। অচুম্বা অসি খঙবা ঙমদবা মরম্না মীনা সংসারগী ওইবা লৌশিং তানশিন্দুনা লৈরি।

২৩১। হকচাঙগী লীপুন থাদোক্তুনা নহাক আত্মাগী মরমগা মহয়গা মরী লৈনবসু খঙবা তাই। মদুতনা লোম্বা নাইদবা নুংঙাইবগী ইপাক অদু ফঙগদৌরিবনি। হকচাঙগী লীপুন'খাদা লৈরিমখৈ খুদিংমক অসি ফঙবা ঙম্লোই। 'ঐ কনানো? হায়বসি নতোমতা হংজৌ। ঐ মফম কদায়দগী লাকই? ঐ কদায়দা চৎলি? মফম অসিদা ঐহাক মতম কয়াম কুইনা লৈখিগনি? অশেঙবা লাইনিং লম্বীদা লাক্লিবা খুদিং ব্রাহংশিং অসিনা অহৌবা ওইগদবনি। নশাবু আত্মানি হায়না খল্লবদি, আত্মাগী মরমগা মহয়গা মরী লৈনবা খুদিং নিংউ। 'আত্মা করিনো? আত্মা করিনো?' হায়বা অসিদা মনুং হঞ্জিন্না খল্লু। মদুতনা আত্মাগা মরী লৈনবা খুদিং খঙগনি। পোৎশক খুদিংগী মওং অমসুং মমিং লৈ অদুবু আত্মাগীদি মওং অমসুং মমিং লৈতে। নহাক্লা আত্মাগী মরমগা মহয়গা মরী লৈনবা অদুবু খঙলবদি, পুমথোই থোইবা অদুসু খঙলগনি।

# ইন্দিয়ান লেবর কনফরেন্সকী রিকোমেন্দেসনশিং থবক্তা ওন্থোকপা ফৈ

প্রো. বেদবনি
*প্রসিদেন্ট, ব্রার্কিং ব্রুমেন ফোরম,*
*এ আই টি য়ু সি মণিপুর*

লৈবাক অসি নহারোল মশিং য়াম্না লৈবা মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা অমনি। মরম অসিনা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংগী ফিজিকেল অমসুং মেন্টেল গ্রোথ নোর্মেল ওইদ্রবদি তুংগী আশা লৈতে। লমসিদা থিজিন হুমজিল্লিবশিংগী রিপোর্ট মতুং ইন্না মীরোনখিবদগী চহি তরুক ফাওবগী অঙাংগী দিভলপমেন্ট য়াম্না মরুওই, অকুপ্পা মীৎয়েং চঙঙি। মীরোল্লিঙৈদা, অঙাং অনৌবা চেল্লিঙৈদা অমদি অঙাং ওইরিঙৈ মতমদা মচী ওইবা চিঞ্জাক চাবা ব্রাৎপদগী এনেমিয়া (ঈ ব্রাৎপকী লায়না) তৌবনা মমা অমদি অঙাং ওইরিঙৈদা শিবগী চাং ভারত্তা য়াম্না ব্রাংই।

অঙাং অমনা হেক তাইবঙ ফাওরকপদগী অঙাং ওইরিঙৈ মতম ফাওবদা মশা মউ ফনা, না য়েক্তনা লৈনবা হোৎনবসি সমাজ অমগী খ্বাইদগী মরু ওইবা তৌদবা য়াদ্রবা থৌদাংনি। মরমদি, সমাজ অমনা মাঙ লোমদা কয়া য়াম্না চঙশিল্লবগে হায়বসি সমাজদুদা লৈরিবা মমা অমদি পীক্লিবা অঙাংশিংনা বেলেন্স দাইট চাবা ফংদুনা মশা মউ ফনা লৈবগী চাং য়েংলগা লেপ্পী। মসি থবক্তা ওন্থোকপসি লৈবাক অমগী সরকারগী তৌফম থোক্লবা মথৌনি। অদুবু অব্রাবদি মমা অমসুং অঙাংশিংগী য়াইফনবগীদমক্তা পায়খৎলিবা থৌরাং অসি (ঐখোয়গী লৈবাক্কী ওইনা) হৌগৎলকপদা স্পীসিয়েল স্কীম ওইরম্বদগী হৌজিক্তি টাইম বাউন্দ (মীশন) ওইনা পায়খৎনবগী মওংদা চঙশিল্লক্লি।

**ইন্টিগ্রটেদ চাইল্দ দিভলপমেন্ট সার্ভিসেস স্কীম (আই. সি. দি. এস) ঃ**

স্কীম অসি ভারত সরকারনা শোক ১৯৭৫ দা হৌদোকখিবনি। স্কীমসিগী মরুওইবা ওবেজেক্টিবতি-মীরোলবী, অঙাং অনৌবা চেনবী অমদি অপীকপা অঙাংশিং (০-৬চহি) গী ন্যুত্রিসন অমসুং হেলঠকী ফিভম ফগৎহন্দুনা অঙাং উন্নবদা মমা শিবা, পুক্লুংগী অঙাং নৎত্রগা পীক্লিঙৈদা শিবগী চাং হন্থনবা, মালন্যুত্রিসন অমসি স্কুল দ্রোপ আউটকী মশিং হন্থনবা লোয়ননা অঙাংগী ফিজিকেল, সাইকোলোজিকেল অমদি সোসিয়েল দিভলপমেন্ট মপুং ফানবনি। স্কীমসি য়াম্না ইফেক্টিভ ওইবা স্কীমনি হায়বসি লমসিদা থিজিন হমজিনবা মীওই কয়াগী রিসার্ছ ফাইন্দিংদগী খঙবা ঙম্লে।

আই. সি. দি এস কী ওবজেক্টিব অসি হেন্না মপুং মরৈ ফাহন্নবগীদমক ভারত সরকারনা অতৈ মরী লৈনবা স্কীম কয়া অমসু পায়খৎলি।

**মিড দে স্কীম ঃ**

হায়রিবা স্কীম অসি গর্ভনমেন্ট স্কুলশিংদা তম্লিবা অঙাংশিংগী স্কুল দ্রোপ আউটকী চাং হন্থহন্নবা লোয়ননা নীতিগী য়ুমদা পীজরিবা চাক এঞ্জাংদা মচিগী শরুক ব্রাৎপা মেনশিন্ননবগীদমক পায়খৎলকখিবনি। লৈবাকসিদা লৈরিবা চাওরাক্লা গর্ভর্নমেন্ট স্কুল লাক্ষ ১২দা কুক কম হেল্পর (নুপী) লাক্ষ ২৭.৪৮ না স্কুল তম্লিবা অঙাং ক্রোর ১১.০৪বু থোং থাক্তুনা ফোং-ফোং শাবা চাক এঞ্জাং পীজরি।

**এক্রেদিটেদ সোসিয়েল হেল্ঠ এক্টিভিষ্ট (আশা)ঃ**

নেসনেল হেল্ঠ মীসন (হান্না নেসনেল রুরেল হেল্ঠ মিসন হায়না খঙনরম্বা)গী মখাদা পায়খৎলকপা স্কীমগী মনুং চন্না আশা ব্রার্করশিং মরুওইনা মমা অমদি অঙাং (পোকপদা শিবা) শিবগী চাং হন্থহন্নবা লোয়ননা হোষ্টপিটাল, হেলঠ সেন্টর -দিসপেন্সরিনচিংবদা লমজিংবীনবগীদমক হাপখিবনি।

স্কীম অসিগী মথক্তা অতৈ স্কীম কয়া -সর্ব শিক্ষা অভিয়ানগী বিদ্যা ভোলুন্টিয়ারশিং, এডল্ট এদুকেসনগী প্রেরাকশিং, নেসনেল চাইল্ড লেবর প্রোজেক্টকী ওজাশিং অমদি অতৈ অতোপ্পা সরকারনা পায়খৎপা প্রোজেক্টশিংগী স্কীম ব্রার্কর ময়াম অমা হাপ্লি, নুপীদা হেন্না প্রিফরেন্স পীরি।

স্কীমশিং অসি মরুওইনা লৈবাকসিদা লৈরিবা নুপী অমদি অঙাংশিংদা কান্নবা পীনবনি। মসিদা পুন্না নুপী ব্রার্কর ক্রোর অমগী মথক্তা শীজিন্নরি। ব্রার্করশিং অসিনা গ্রাস রুট লেভেলদা নুপী অমদি অঙাংশিংগী (মরুওইনা খুঙ্গংগী লায়রবশিং) দরকার ওইবশিং ফংহন্নবা হোৎনরি। মরুওইবা স্কীমশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌবদা সরকার অমদি মীয়াম (প্রজা) অনিগী মরক্কী পাউ ফাওনফম ওইরি। অসিগুম্বা নুপী স্কীম ব্রার্করশিং অসি অয়াম্বনা লায়রবা, অব্রাৎপনা থল্লবা নুপীশিংনি। মসিগীসু মথক্তা মখোয় মরোমদোম ইমুং মনুংগী থৌদাং পুরিবী কয়া য়াওরি।

অসুক য়াম্না মরুওইখ্রবা অফবা সমাজ অমা শেমগৎপগী দরকার ওইরিবা থৌদাংশিংদা চাউনা শরুক য়াদুনা মখোয় মখোয়দা শিন্নবা থবক থৌরমশিং মায়পুননা হোৎনরবসু স্কীম ব্রার্করশিংদা পীরিবা ওনরেরিয়ম অসি অসুক্কী মতিক পীকখ্রে, হৈক্রু মনাদা য়োম্লে। খরদং পল্লবদা আই. সি. দি. এস স্কীমগী মখাদা থবক তৌরিবী অঙ্গনব্রাদি ব্রার্কর অমসুং হেল্পরশিংগী ওনরেরিয়ম থাদা মথংশিংনা লুঃ ৩০০০ অমদি লু ঃ ১৫০০ খক্তনি। মখোয়সিবু স্কীম অসিদা ভোলুন্টিয়ার ওইনা থবক তৌবগী মওংদা লৌবীরি। মিড দে মিলগী কুক কম হেল্পরনা সরকারগী স্কুলশিংদা চাক থোংবা, পীজ-পীথক তৌবা অমদি কোল-লীক ফেংদোক ফেংজিনগী থবক ময়াম অমা তৌরবসু থাদা লুঃ ১০০০ খক্তমক পীবিরি। আশা ব্রার্করশিংনা সরকার অমদি কম্যুনিটি অনিগী মরী শম্নহন্দুনা খর হেন্না শোত্থহৌরবা, শেল থুমগী অব্রাবা মায়োক্লরবা কাঙলুপকী মশিং য়াম্লবা নুপী, অঙাং, অহল, অনাবা অমদি শোয়নাইরবশিংবু লমজিংদুনা অনা লায়েংশঙশিংদা পুখৎতুনা লায়েং চত্থবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরি। মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্ঠ এন্দ ফেমিলি ব্রেলফেয়রনা আশাশিংবু সমাজগী চেঞ্জ এজেন্ট ওইনা লৌরি। মখোয়না লৈবাকসিগী তুহৎপীরবা মীওইশিংগী মশা মউ ফনা লৈহনবদা চাউনা মতেং পাংলি, মখোয়গী মপান্না লৈবাকসিগী মীয়ামগী হেলঠ ষ্টেটস ফগৎহনগনি হায়না লৌনরি। অদুবু মখোয় মশাগী ওইনদি কা হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। মখোয়না ওনরেরিয়ম চাং নাইনা পীবগী ব্রাফম লৈত্রি।

অসুম্না স্কীম ব্রার্করশিং অসিনা সেন্টর অমদি ষ্টেট সরকারগী থবক তৌরবসু মখোয়দা থাগী তলব পীবিদ্রি, মখোয়বু ভোলুন্টিয়ার ওইনা ট্রিত তৌবিরি লোয়ননা ইনসেন্টিব-ওনরেরিয়ম মমিংতগী ওইনা পীবিরি।

ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কংগ্রেসনা-অঙ্গনব্রাদী,আশা অমদি মিড দে মিল ব্রার্করশিংগী রেগুলরাইজেসনগীদমক অমদি মখোয়দা মিনিমম ব্রেজ অমদি সোসিয়েল সেক্যুরিটি পীননবা চহি কয়াগী মমাঙদগী তকশিন্দুনা লাক্লি। মমাঙ চহিগী মে থাদা (ইংশোক ২০১৩) নিউ দিল্লিদা পাংথোকখিবা ৫৪রক শুবা ইন্দিয়ান লেবর কনফরেন্সনা স্কীম ব্রার্কর পুম্নমকপু ব্রার্কর ওইনা শক খঙনবা ভারত সরকারদা রিকমেন্দ তৌবগা লোয়ননা মিনিমম ব্রেজ, সোসিয়েল সেক্যুরিটি বিনিফিটশিং -পেন্সন, গ্রেটুইয়েটি, মেটরনিটি বিনিফিট, ইন্সুরেন্স স্কীম, অঙ্গনব্রাদি সেন্টরশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহনবা, স্কুলদা মিড দে মিগী কিচন শাননবা, কল্লেক্টিব বার্গেনিং য়াহনবা, ইমপ্লোইমেন্ট ষ্টেন্দিং ওর্দর পীদুনা জোব গেরেন্টি লৈহন্নবসু রিকমেন্দ তৌখি। অদুবু হৌখিবা লেবর কনফরেন্সসিগী এক্সন টেকন রিপোর্টসিবু সরকারনা শোক ২০০৬ কী দিসেম্বর ৭ তা তাখিবা সুপ্রিম কোর্টকী রুলিংদা ভারত্তা লৈরিবা অঙ্গনব্রাদি ব্রার্কর লাক্ষ ২৫ অসি সিভিল পোষ্ট পায়দবা মরমনা মিনিমম ব্রেজ পীফম থোক্তে হায়বদুদা বেজ তৌরগা পোইন্ট ব্লেঙ্ক রিজেক্ট তৌরে। চপ মান্নবা মওংদা আশা ব্রার্করশিং অসি নেসনেল হেলঠ মিসনগী মখাদা ভোলুন্টরি এক্টিভিষ্ট ওইনা থবক তৌবনি, মিড দে মিলগী কুক কম হেল্পর লাক্ষ ২৫.৪৮ অসিসু নোংমদা পুং ৩-৪ তমক থবক তৌবনি, মখোয়দা মিনিমম ব্রেজ পীফম থোক্তে হায়বসিনি। ব্রাফম অসি ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কংগ্রেসনা য়াম্না হকচিন্না লৌই। তশেংবমক ব্রার্করশিংগী বেসিক মিনিমম রাইট মৎপনি।

গভর্নমেন্টনা কোর্টকী রুলিংদা থৈজিল্লগা লৈবা লানগনি, পার্লিয়ামেন্টতা থুখোক্তুনা খন্নরগা ব্রার্করশিংগী স্বার্থদা অচুম্বা ব্রারেপ লৌফম থোকই। সেন্টরদা বী জে পী গী অনৌবা সরকার অমা লাক্লে, জুলাই থাদগী হৌরিবা বজেত সেসন অসিদা স্কীম ব্রার্করশিং অসিবু রেগুলরাইজ তৌনবা অমদি থাগী মিনিমম ব্রেজ লু ঃ ১৫০০০ ফংহন্দুনা স্কীম ব্রার্করশিংগী ষ্টেটস লৈহন্নবা লোয়ননা সোসিয়েল সেক্যুরিটি বিনিফিটশিং ফংহন্নবা সরকারদা তকশিনবা য়াম্না তঙাই ফদ্রে।

**সি. এ. জি** না - আই সি দি এস স্কীম ওদিট তৌবদা অব্রাৎপা কয়া- ইনাফ্রাষ্ট্রকচর ব্রাৎপা, ইক্যুপমেন্ট সুদবা, ষ্টাফ মশিং ব্রাৎপনচিংবা থেংনদুনা ফোংদোকখ্রে। সরকারনসু সি এ জি গী রিকমেন্দেসন পুম্নমক য়াদুনা ১২শুবা প্লান পেরিওদতা আই সি দি এস বি - ষ্ট্রকচর তৌদুনা হেন্না ফগৎহনগনি হায়দুনা অচেৎপা ব্রাফম ফোংদোকখিবা লৈখ্রে। অদুবু মসিগী ওন্না তৈনবদা য়াম্না অঙকপা মওংদা মিনিষ্ট্রি ওফ ব্রুমেন্স এন্দ চাউল্দ দিভলপমেন্টনা দোকুমেন্ট অমা পুথোক্তুনা আই সি দি এস অসি মীশনগী মওংদা চত্থনবগীদমক ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি দেলিভরি সিষ্টেমদা অহোংবা কয়া পুরক্লবগী ব্রাফম থমখ্রে। ঐখোয়না ময়েক শেংনা খঙই মদুদি মিসন হায়বা ব্রাহৈসিমক্লা ফোংদোক্লিবসি অকক্লবা অতেনবা মতমগী প্রোগ্রাম হায়বনি অদুবু আই সি দি এস দি অদুম মখা চত্থবা দরকার ওইবা স্কীমনি। মসিদি অকক্লবা মতমগী মনুংদা লোইশিনবা য়াবা স্কীম নত্তে। সরকারনা আই সি দি এস কী মেনেজমেন্ট অমদি দেলিভরি সিষ্টেমদা অহোংবা পুরক্কনি হায়রিবসি প্রাইভেটাইজেসনলোমদা চঙশিনগে হায়বনি। স্কীমসি প্রাইভেটাইজ তৌবা য়াফম থোক্তে, মরমদি মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা দেলিভরি জাতিগী ওইনা তুং কোয়নগী অফবা পুরক্কদবা স্কীম পব্লিক দেলিভরি সিষ্টেম ওইরবতদা মায় পাক্কনি। মরম খিবিক অসিদগী ব্রার্কিং ব্রুমেন ফোরম, এ আই টি য়ু সি মণিপুরনা পুখৎলিবা দিমান্দশিংদি ঃ

১। ৪৫রক শুবা ইন্দিয়ান লেবর কনফরেন্সকী রিকমেন্দেসনশিং অথুবদা ইমপ্লিমেন্ট তৌবা।

২। স্কীম ব্রার্কর পুম্নমক ব্রার্করগী ষ্টেটস পীয়ু।

৩। স্কীম খুদিংমক্কী বজেট এলোকেসন হেনগৎহল্লু।

৪। স্কীম ব্রার্করশিং রিগুলরাইজ তৌ, থাগী মিনিমম ব্রেজ লুপা ১৫,০০০ পীয়ু।

৫। ব্রার্কর খুদিংমক পেন্সন পীয়ু, খ্বাইদগী পীকপা পেন্সনগী শেনফম লুপা ৩,০০০ ওইহল্লু, ব্রার্করশিংদা সোসিয়েল সেক্যুরিটি বিনিফিটশিং ফংহল্লু।

৬। নেসনেল চাউল্ড লেবর প্রোজেক্টকী ওজাশিং অমদি ষ্টাফশিংগী সার্ভিস কন্দিসন ফগৎহল্লু। দরকার ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অমদি বেসিক এমিনিটিশিং ফংহল্লু।